**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 01-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) অনৌবা চহি ২০২৬ ঙসিদগী হৌরে। অনৌবা চহিনা লাকপদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

২) কবুই ফুরুপকী নুমিৎ মঙানি পাঙথোক্কদবা নাৎকী কুম্মৈ গান ঙাই ঙসিদগী হৌরে। নুমিৎ অসিনা লাকপদা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরি।

অমসুং

৩) মধ্য প্রদেশকী ইন্দোর জিলাগী ভাগিরতপুরদা ফত্তবা ঈশিং থক্লুবদগী মীওই ৫ লৈখিদ্রে।

------

নিউ ইয়ার (এল)ঃ অনৌবা চহি ২০২৬ ঙসিদগী হৌরে। অনৌবা চহিনা লাকপদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

পাউজেল অমদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- ইং ২০২৬ না লাকপদা মীয়ামা লমদম অসিদা শান্তি, নুংশি চান্নবা, অমনা অমবু ইকায় খুমবা উৎপগী ফিরেপ অদু অমুক হেন্না চেৎশিনহল্লশি। অনৌবা চহি অসিনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা জাতি কাংলুপশিংগী মরক্তা মচিন মনাউ ওইবগী মরী অদু হেন্না চেৎশিনহন্দুনা অমত্তা ওইবগী লিংজেল শাগৎতুনা রাজ্য অসিবু মরা চেৎপা লমদম অমা ওইনবা হোৎনমিন্নরশি।

মহাক্কী পাউজেলদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তানা হায়- মতম হায়বসি তুরেলগী ঈচেলগা চপ মান্নে, হৌখিবা কয়াব্ চেন্থ্দুনা পুখ্রগা অনৌবা কয়া পুদুনা লাকপনি। মসিনা ঐখোয় মশেল মরক্তা অমত্তা ওইবা, অনৌবা ব্রাখল্লোন শাগৎপা ওইরসনু

অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুনসু অনৌবা চহি ২০২৬ না লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীজরি।

গান ঙাই (এল) ঃ কবুই ফুরুপকী নাৎকী কুম্মৈ গান ঙাই ঙসিদগী হৌরগনি। নুমিৎ মঙানি পাঙথোক্কদবা কুম্মৈ অসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা পাঙথোকগনি। মপুং ওইবা থৌরম গান ঙাই প্রিজার্ভিং কবুই হেরিতেজনা শিন্দুনা ষ্টেট লেবেল গান ঙাই কুম্মৈ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কোন্থৌজম মমাং কবুই খুলদা পাঙথোক্কনি। মণিপুর অমসুং অতৈ মফমশিংদসু কুম্মৈ অসি পাঙথোক্কনি।

গান ঙাই কুম্মৈনা লাকপদা তোঙান তোঙানবা লুচিংবা অমদি লুপ কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা গান ঙাই কুম্মৈনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়- নিংথম থাগী লৌরোক মতুংদা পাঙথোকপা গান ঙাই কুম্মৈ মনুংদা তোঙান তোঙানবা নাৎকী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা ঈশ্বরগী মফমদা তংদু লৈতবা, শান্তি অমসুং নুংঙাই য়াইফবা পুরকবা থৌনিজরশি। নুংশি চান্নবা, অমত্তা ওইবা অমসুং মরুপ মপাং ওইবগী ৱাখল্লোনদা কুম্মৈ অসি ঐখোয় খুদিংমকা পুন্না পাঙথোকমিন্নশি হায়রি।

মহাক্কী পাউজেলদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তানা হায়- কুম্মৈ অসিনা মরুওইনা শক্তম অমসুং অমগা অমগা পুনশিন্নবগী শক্তম উৎলি। মহাকা হায়- কুম্মৈ অসিনা লাকপদা নাথৈদুনা থন্বা য়াররোইদবা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অমদি সংস্কৃতি অসি হিংহনদুনা থম্লশি।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- গান ঙাই কুম্মৈনা লাকপদা হেন্না চাওখৎপা, কাংলুপ মশেল মরক্তা হেন্না নুংশিননা লৈমিন্ননবা মপু মাগী মফমদা থৌনিজরি। মহাকা হায়- রাজ্য অসি অৱা অনা

তাদবা, অনা অয়েক য়াওদবা ইং তপ্পা রাজ্য অমা ওইহল্লশি।

এম.এল.এশিং- তোংব্রম রোবিন্দ্রো, যুমাম খেমচান্দ, থোঙাম বিশ্বজিৎ, শিব সেনা মণিপুর প্রদেশ, কেন্দ্রগী হান্নগী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন সিংহ্, গান ঙাই কুম্মৈনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ হৌখিবা চহি ২০২৫ গী ঙরাং অরোইবা নুমিৎতা ককচিং জিলাগী মনুং চনবা ৱাবগাই নাতেখোং তুরেলমৈদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎখ্রে।

হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফম অদুদগী এম-সিক্সতিন রাইফল অমা, এস.এল.আর অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, সিঙ্গল বোল্ট এক্সন রাইফল অনি, সভেন পোইন্ট সিক্স ফাইভ পিষ্টোল অমা, গ্রেনেদ ১০, দিতোনেতর মরি য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় কয়া য়াওরি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা লম্লাই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কৈবী খুলদগী জি-ফাইভকী মনুং চনবা প্রিপাক প্রোগী এক্তিভ কাদরনি হায়বা মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মীওই অদু ইতম নুংগোই ময়াই লৈকাইদগীনি হায়রি।

মণিপুর পুলিসতা হবিলদার ওইবা মীওই অমা রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা বুল্লেট প্রুফ গাড়ি শিজিন্নরম্বা থৌদোক্তা মরী লৈননা পুলিসনা ফারে হায়রি। ফারবা মীওই অদু খুরাই কোংপাল নিংথৌবুং লৈকাইদগীনি। ৱাংখৈ অন্দ্রো পার্কিং এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মণিপুর পুলিসতা হবিলদার ওইবা মীওই অমা বুল্লেট প্রুফ গাড়িগা লোয়ননা ফারবা তুংদা মহাকা হায়দোরকপদগী অতোপ্পা হবিলদার অদু ঙরাং ফাবনি হায়রি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা লমলোং বজার, নম্বোলগী সি.এস.ওশিং, হৈনৌপোক্কী ৱার্দ মেম্বরশিং, মহৈরোইশিং, চীংমৈরোংগী পেট্রোল পম্পকী মীওইশিং, হৈঙাং যুথ ক্লব, শঙাইথেল হাইস্কুলগী প্রিন্সিপাল য়াওনা তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী ভিলেজ চীফশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

মসিনা লমদম অসিদা ঙাকশেলগী মতাংদা অমগা অমগা তেংবাং পীনদুনা অচেৎপা্া মরী থম্বা ঙম্লগনি।

অমরোমদা, তেংনৌপল জিলাগী তোঙান তোঙানবা খুল ১৩ গী মীওই লিশিং অনিরোমগা অসাম রাইফলসকা উন্নদুনা স্পোর্টস আউটরিটচ প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখ্রে। খুলশিং অসিগী নহাশিংদা ফুটবোল, বাস্কেট বোল, বেদমিন্টন সেটশিং, বোক্সিং গ্যার অমসুং গোল পোষ্ট খুৎশিন্নখি। খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা অসাম রাইফলসকী ওফিসিয়েল ১২০ হেন্না শরুক য়াখি।

হৈকৎ লৈকৎ (এল)ঃ চহি খ্দিংগী পাঙথোকপগুম থা অসিগী ৩ থাংজ নুমিৎতা ইবুধৌ পুরুকশৌবী পাখংবগী লাইফমলেনদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইরাৎ থৌনিবা লাইগী থৌরম পাঙথোক্কনি। নুমিৎ অসিদা মীয়ামা শরুক য়াবীনবা পুরুকশৌবী ইবুধৌ পাখংবা থৌশিল লুপনা হায়রি।

দেদ ঃ মধ্য প্রদেশকী ইন্দোর জিলাগী ভাগিরতপুরদা ফত্তবা ঈশিং থক্লুবদগী মীওই ৫ লৈখিদ্রে। মীওই ৩৫ হেনবনা হন্দোকপা অমসুং দাইরিয়া তৌরকপদগী হোস্পিতালদা লায়কন্নরি। মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ মোহন যাদবনা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী মরী মতাশিংদা লুপা লাখ অনি অনি পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে অমদি লায়েংদুনা হোস্পিতালদা লৈরিবশিং চপ চাবা লায়েং চথুনবসু খঙহনখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা জোনেল ওফিসার অমসুং এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিনিয়ার থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। দিপ্যুতি ইঞ্জিনিয়ারনা থবক লৌথোকখ্রে। মীওই অহুমা শাবা ইনক্বারি কমিতি অমা শেমদুনা থৌদোক অদুবু থিজিনখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং হকশেল বিভাগনা ফিভম অদু কুপা য়েংশিনদুনা লৈরি অমদি লায়েং চথুরিবশিং অদুবু কুপা শেন্নরি।

মেট (এল)ঃ ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট রিজনেল সেন্তর ইম্ফালগী পাউ মতুংইন্না ঙসি অমসুং হয়েং রাজ্য অসিগী সেনাপতি, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, উখ্রুল, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংগী

মফম খরদা লৈচিল কুংনা থাগনি। বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, চান্দেল, চুরাচান্দপুর, ফেরজোল, উখ্রুল, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং সেনাপতিগী মফম কয়াদনা ঙসি লৈচিল কুংনা থাগনি।

অমরোমদা, আই.এম.দিনা হায়রি-অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং উত্তরাখন্দদা লাক্লিবা নোংমা নিনি অসিদা লৈচিল কুংনা থাগনি। বিহারদা ঙসি কা হেন্না ইংবগী অৱাবা মায়োকগনি হায়রি। ফিভম অসি নোংপোক থংবা উত্তর প্রদেস অমসুং হিমাচল প্রদেসতসু মায়োকগনি।

দিল্লি, হরিয়ানা, চান্দিগর, ইষ্ট উত্তর প্রদেশ, উরিষা, পঞ্জাব অমসুং নোংচুপ থংবা রাজস্থানদসু লৈচিল কুংনা থাগনি হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লিংজেল মান্নরবদি মাঙদা তারিবা ইসু অসি লোইশিনবা ঙমগনি হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম সনালৈবাক পাউচেদা অহানবা হেদলাইন পীরি। লমদম অসি মণিপুরীশিংতনা কনগদবনি, কনানাসু লাক্কুনা কল্লোই হায়না এম.এল.এ- কে.ঐচ.ইবোমচানা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

আই.দি.পিশিং ময়ুমদা মশিং শুনা হঞ্জিনহনবা অমসুং হাইৱেশিং ফ্রি মুভমেন্ট তৌহনবা ঙমদনা শুরু শুরু নৈশিল্লগা কুমজা ২০২৫ লোইশিনখ্রে, ২০২৬ লাক্লে হায়না হুইয়েন লানপাউদা বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

জনুৱারি থাদা য়াইস্কুল কেন্দ্রদগী অনৌবা এম.এল.এ লাক্লগনি হায়না এম.এল.এ রামেশ্বরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

সবসিদাইজ তৌবা চাকথোক গ্যাস ব্লেক্তা চৎখিদনবা থবক লৌখৎখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন পীরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু ফোংবা থেংনরে।

মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংনা হৌখিবা চহি ১০ দা লুপা কোতি লিশিং ১৭,২৫৯ গী দিভলপমেন্ট ফন্দ ফংখ্রে হায়না পোকফমদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

ফুরুপ মশেল নুংশি চান্ননা লৈমিন্নগদবনি হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

------